**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মনিপুর বিধান সভা মীফমা ঙসি লূপা কোতি লিশিং ২,৫২৫ রোমগী বিভাগ ৭ কী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস খন্নদুনা পাস তৌখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- লেননা মাংহন তাকহনখ্রবা ইমুংশিংদা খুদক্কী মতেং পীনবা মরী লৈনবা দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংদা খঙহনখ্রে।

৩) কোংবা মরু লাইফমলেন শেমগৎনবগীদমক মন্ত্রালয়দা দি.পি.আর থাখ্রে হায়না তুরিজম মন্ত্রি খুরাইজম লোকেননা ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা ফোংদোকখ্রে।

৪) কোইরেঙ্গৈ এয়ার ফিল্ডবু নেসনেল হেরিতেজ সাইট ওইনা ঙাক শেন্দুনা থমবা মণিপ্রগী রাজ্য সভা এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা ঙসি সভাদা পুখৎখ্রে।

অমসুং

৫) চাকথোং গ্রাস এল.পি.জি পুবা জহাজ সিবালিক গুজরাতকী মুন্দ্রা হিথাংফমদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম থুংলরে। অতোপ্পা জহাজ অমসু হয়েং থুংলরগনি।

------

এসেমব্লি (এল)ঃ মনিপুর বিধান সভানা ঙসি তোঙান তোঙানবা বিভাগ ৭ কী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস খন্নদুনা পাস তৌখ্রে। দিমান্দশিং অসিগী অপুনবা

শেনফমনা লূপা কোতি লিশিং ২,৫২৪ লাক্ষ ৮৮ লিশিং ১৬ নি। দিমান্দশিং অদুদি- ইনফোর্মেসন অমসুং পব্লিসিতি, মেদিকেল হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র সার্ভিসেস, কঞ্জুমর এফিয়র্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিস্ত্রিব্যুসন, এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ জস্তিস, সোসিয়েল ৱেলফিয়র দিপার্টমেন্ট, টুরিজম অমসুং সাইন্স এন্দ টেকোলোজি নি।

সিএম (এল)ঃ লেন য়াওনা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মাং তাকহনখ্রবা মীয়ামদা অথুবা মতমদা পীবা য়াবা মতেং পানবা মরী লৈনবা দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংদা খঙহনখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা বিরোধিগী কে. মেঘচন্দ্রনা পুখৎলকপা কোল্লিং এটেন্সন মোসন অমগী পাউখুমদা রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী থৌসু পুরিবা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা মণিপুরদা লেন য়াওনা অকনবা নোং চুবনা মরম ওইদুনা শোকহনখ্রবা য়ুম-কৈশিং শেমজিনবদা মতেং পীনবা সরকারনা হোৎনরি। মসিগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা থা অমরোমদি চংখিগনি। অদুমওইনমক, খুদক্কী ওইনা জিলা জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংদা লৈরিবা সরকারগী শেনফমশিংদগী অহানবগী ওইনা তেংবাং পীনবা খঙহনখ্রে। হৌজিক হৌজিক্কি ওইনা য়ুম-কৈ, মহৈ মরোং অমদি অতৈ অমাং অতা কয়া য়ামা থোকখ্রবগে হায়বদু খঙদোকবা হোৎনরি। মসিগী জিওটেক ফোটোগ্রাফনচিংবা লৌখৎলবা মতুংদা চংগদবা শেনফমশিং থাগৎলকবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

খেমচান্দ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে- পি.এম.জে.এ.ৱাই অমদি সি.এম.ঐচ.টি স্কিমগী মখাদা লায়েংবা অনাবশিংদগী হোস্পিতাল অমদি ফারমাসিশিংনা অহেনবা শেল লৌই হায়রিবসি য়েংশিন্নবা দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি তৌহল্লগনি।

কংগ্রেসকী কে. রঞ্জিৎনা পুখৎলকপা কট মোসন খন্নবগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি চত্থবদা মরাল লৈরম্বশিং আইনগী মতুংইন্না

চৈরাক পীগনি। স্কিমশিং অসি চৎনরিবা হোস্পিতালশিংনা লৌফম থোক্তবা শেলদগী হেন্না লৌরক্লবদি মদু অরানবা খোঙথাংনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি অমুক হন্না তৌদনবা হোৎনমিন্নশি। সরকারনা পায়খৎলিবা স্কিমশিং অসিগী কান্নবা মীয়ামদা নিংথিনা ফংহন্নবা হোৎনরি। মীয়ামসু অনৌবা সরকার অসিদা থাজবা থম্বীদুনা সরকারনা স্কিম অসিগী কান্নবা ফংহনবদা মতেং পাংবায়ু।

সোসিয়েল (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে- মণিপুরগী ইরাংনা শোকহল্লবা অঙাংশিংগীদমক থা থাগী ওইনা লুপা লিশিং ৪-৪ পীননবা থৌরাং পায়খৎলে।

কংগ্রেসকী কৈশাম মেঘচন্দ্রনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- অপুনবা অঙাং লিশিং ৯,৬৭১ লৈবগী মনুংদা অঙাং লিশিং ৬,৬৪৬ কী শেনফম পীথোকবা কেন্দ্র সরকারদা হায়জখিবা লৈখি। অদুবু অঙাং লিশিং ১,৯৩২ খক্তগী শেনফম পীরকপনা মরম ওইরগা পুন্না পীবীনবা মন্ত্রালয়দা হায়জখিবা লৈরে। শেনফমশিং হেক য়ৌরকপগা অঙাং লিশিং ৬,৬৪৬ তা থা থাগী লুপা লিশিং ৪-৪ পীবা ঙম্লগনি।

অমরোমদা, আই.দি.পি অঙাংশিংগীদমক সরকারনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মসিগী মনুংদা অঙাং ৭৮ চিলদ্রেন হোমদা থমদুনা মখোয়গী অৱাৎ অপাশিং য়েংশিল্লি। মসিগী মথক্তা অঙাং লিশিং ৬,৩৫১ দা অঙ্গনৱাদিগী খুথাংদা কান্নবা পীরি।

অঙ্গনৱাদি (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি মণপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে- অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং প্রাইমারি স্কুল এটেষ্ট তৌবগী ৱাফম হৌজিমক্কী ওইনদি লৈত্রি। কংগ্রেসকী থোকচোম লোকেশ্বরনা পুখৎলকপা কট মোসন অমগী মতাংদা খন্নবগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং প্রাইমারি ওজা ওনখৎপা য়াগদ্রা হায়বদু য়েংশিল্লি। অদুমওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনা ওনখৎকনি হায়বগী চপ চাবা ৱাফম লৈত্রি।

মীহাৎ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে- মণিপুরদা লাইসেন্স গন পায়বা মীশিং অদুক্কী মতিক য়াম্লে। মসি থিদোকপগী তঙাইফদবা লৈরে।

কংগ্রেসকী কে. রঞ্জিৎনা পুখৎলকপা কোল্লিং এটেসন মোসন অমগী পাউখুম পীরদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোলক্লিবা অসি লাইসেন্স গন পায়বা মীগী মশিং হেনগৎলকপা অসিসু মরম অমনি। মীহাৎ মাপুনগী থৌদোকশিং থোকপদগী থিংননবা লাইসেন্স গন পায়বা হেনগৎনরক্লিবা অসি য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে।

অমরোমদা, ককচিং জিলাগী তেজপুর অৱাং লৈকাইদগী চিংখাম মালেমঙানবা মীশিগা মরী লৈননা মীহাৎ অদুদা চেন্নবা মীওই অমা ফারে। অথুবা মতমদা মীশি অসিগী লংলা লংজিল পুথোকবা হোৎনরগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুম াম খেমচান্দনা ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা থাজবা পীখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- থৌদোক অদু য়ামা লাইবক থিবনি। মীহাৎ অসিদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা ফারে। অদুমকপু মসিদা মহাক হকথেংননা চৈন্নে হায়বগী খুদম চাংদম ফংবদি লৈত্রি। মখা তানা ৱাহং পাউহং চখ্খরি। পুলিসনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না খুদম চাংদম লৈহৌদবা মরমনা মীহাৎপা পুথোকপদা মতম খরা লৌবনি। অদুমকপু অথুবা মতমদা মালেমঙানবা হাৎলল্লিবা মীওইশিং পুথোকবা হোৎনগনি।

গোবিনদাস (এল)ঃ গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে- কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারগী শেন্থং মখাদা শাবা য়ুমশিংদা অমসুং হাউসিজং সপ্পোর্টকী মখাদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবা মতং আই.দি.পিশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহনবগী থবক হৌখ্রে অমদি মখা তানা তাঙ্কক নাইনা চখ্খরি।

কংগ্রেসকী থোকচোম লোকেশ্বরনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা শ্রী গোবিনদাসনা হায়- প্রসিদেন্টস রুল লাক্ত্রিঙৈগী মমাংদা য়ুম শাননবা হায়দুনা লুপা লাখ ১০, লাখ ৭, লাখ ৫ অমদি লুপা লাখ ৩ হায়না লেপ্তুনা য়ুম শানবা

শেনফম ইমুং লিশিং ৯ লোমদা পীবা হৌখি। মসিগী মতুংদা শেনফমশিং অসি য়াম্বনা মরম ওইরগা পীবা ঙম্লক্লোই হায়দুনা হান্নগী শেনফম অসিদগী হন্থরবা মতুং নৌনা পোলিসি শেমদুনা হৌজিক য়ুম শাবগী শেনফম অসি তাঙ্কক নাইনা পীরি। মহাকা হায়- দি.সিনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না য়ুম শানবা শেল থাদোক্লবসু হৌজিক চংবা য়াদবা মফম কয়া লৈরি। আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎহন্দুনা অমগা অমগা চংথোক চংশিন য়ান্নদ্রিবা অসিগী পল অসি লৌথোকবা কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারনা কন্না হোৎনরি। মসি হেক য়ারকপগা আই.দি.পিশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহনগনি। মসি ঙমনবা মীপুম খুদিমকা হোৎনমিন্নশি।

শ্রী গোবিনদাসনা মখা তানা হায়- দি.সিশিংনা রিপোর্ট থাগৎলকপা মতমদা মরী লৈনবা এম.এল.এশিং তান্নদুনা য়ুম হঞ্জিনবা য়ারবা মফমশিংগী হান্না য়ুম শাননবা শেনফমশিং অসি থাদোকবা হোৎনগনি। হৌজিক আই.দি.পি খ্বাইদগী হেন্না য়ামা লৈরিবা মফম অসি কাংপোকপী অমদি বিষ্ণুপুর জিলা অসিনি। মহাকা হায়- মুখ্য মন্ত্রিগী পাউতাক মতুংইন্না চংবা য়ারবা আই.দি.পিশিং খন্দোকবা মরী লৈনবা দি.সিশিংদা পাউতাক পীখ্রে। মখোয়শিং মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা কন্না হোৎনরি। অসিগুম্বা কেস লৈরবদি দি.সিশিংদা হায়বীয়ু।

তুরিজম (এল)ঃ তুরিজম মন্ত্রি খুরাইজম লোকেননা ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে- কোংবা মরু লাইফমলেন শেমগৎনবগীদমক মন্ত্রালয়দা দিতেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট (দি.পি.আর) থাখ্রে।

কংগ্রেসকী থোকচোম লোকেশ্বরনা পুখৎলকপা কট মোসন অমগী মতাংদা খন্নবদা শ্রী লোকেন্না হায়- কোংবা মরু লাইফমলেন অসি থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমনা মরম ওইরগা শোকখিবা লৈরে। লাইফমলেন অসি অমুক হন্না শেমগৎনবগীদমক মন্ত্রালয়দা চে থাখ্রে। মহাকা হায়- মণিপুরদা দিপার্টমেন্ট ওফ পিলগ্রিমেজ সাইট ইন মণিপুর হায়বা প্রোজেক্ট অমা শেমগৎনবগীদমক মন্ত্রালয়দা চে থাখিবনি।

সনাজাউবা (এল)ঃ কোইরেঙ্গৈ এয়ার ফিল্ডবু নেসনেল হেরিতেজ সাইট ওইনা ঙাক শেন্দুনা থমবা মণিপুরগী রাজ্য সভা এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা ঙসি সভাদা পুখৎখ্রে।

মালেমগী অনিসুবা লাঞ্জাউগা শাগোন্নরিবা ইম্ফালগী কোইরেংগৈ এয়ার ফিল্ডবু নেসনেল হেরিতেজ সাইট অমা ওইনা ঙাক শেনদুনা থম্বীনবা সভাদা পুখৎলদুনা মহাকা হায়- কুমজা ১৯৪২ দগী ১০৪৩ দা আমেরিকান ইঞ্জিনিয়ারিংশিংগী মতেংগা লোয়ননা শেমগৎখিবা এয়ার ফিল্ড অসি মালেমগী অনিসুবা লাঞ্জাউগী ইম্ফালগী লানফমদা এল্লাইদ দিফেন্সতা অচৌবা থৌদাং লৌখি। শ্রী লৈশেম্বা সনাজাউবনা মখা তানা হায়- এয়ার ফিল্ড অসিনা মতম অমদা য়ামা মরুওইবা নোংথক্কী লম্বী শমবা থোং অমা ওইদ্না এল্লাইদ ক্রুপ লাখ ২ হেন্না পুশিল্লক্কুনা ভারতকী ইষ্টর্ন ফন্তিয়ার ঙাক শেনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল জিলাদা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুংদা লেন য়াওনা চুখিবা নোং অমসুং অকনবা নোংলৈ নুংশিৎতা লাংঙথেলগী লৌ হেক্তর ২০০ রোমদা থাবা মহৈ মরোং মাং তাকখ্রে। মদু চাউরাকা লুপা কোতি ১ রোমগী মমল ওইগনি হায়রি। হিরম অসিগী মতাংদা ঙসি অয়ুক লাংঙথেলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লমদম অদুগী লৌমী অমনা হায়- ঙরাং নুংথিল পুং ২ রোম তাবা অদুৱাইদগী অকনবা লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা মফম অদুগী লৌমীশিংনা ৱানা অমদি শেল চংনা থাজবা মহৈ মরোং কয়া মাং তাকহনখ্রে।

লৌমী ৩০০ লোমনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুনা মাং তাকখ্রবা মহৈ মরোংশিং অদুগী মতাংদা লৈঙাকা মীৎয়েং চংবীনবসু আপীল তৌরি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার নাওরেম লোকেন্দ্রনা হায়রি- বিগ্যানগী ওইবা অহোংবা, টেকোলোজিগী অহোংবা অমদি

মালেমগী হোংলক্লিবা অকোইবগী খলগী মরক্তা মীওইবনা হিংলিবা তাঙ্কক অসি অরুবা ফিভমদা লৈরি।

ৱাফম অসি প্রোফেসার নাওরেম লোকেন্দ্রনা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবা হ্যুমেন এন্দ ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্সেসকী লমদা খুমাং য়াংশিল্লকপগী মতাংদা মালেমগী ওইবা মীফমদা ৱা ঙাংবদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- মালেমগী হোংলক্লিবা অকোইবগী ফিভম অসি এদভান্স টেকোলোজি খক্তনা কনবা ঙমলোই। হান্নগী লৈজরম্লিবা ঐখোয়গী চৎনবীশিং ঙাকা চৎপা অমদি মীয়াম পুন্না ৱাখল তামিন্নবা চংই।

মীফম অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী স্কুল ওফ হ্যুমেন এন্দ ইনভাইরোনমেন্টল সাইন্সেস, রাজ্যগী দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ, আই.এন.এ ৱার ম্যুজিয়ম কম লাইব্রেরি মোইরাং, আর্ট এন্দ কলচর বিভাগ, ইন্দিরা গান্ধি রাষ্ট্রিয়া মানব সংগ্রালায়া, ভোপালনা পুন্না শিনবনি।

সাহিত্যা (এল)ঃ সাহিত্যা একাদমি এৱার্দ ২০২৫ লাউথোকখ্রে। ভারত সরকারগী কলচর মন্ত্রালয়গী সেক্রেতরিনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমনা হায়- ২০২৫ গী ওইনা সাহিত্যা একাদমি এৱার্দ ফংলগদবা ভারতকী তোঙান তোঙানবা লোল ২৪ গী লাইরিকশিংগী মনুংদা শৈরেং লাইরিক ৮, উপন্যাস ৪, ৱারী মচাগী লাইরিক ৬, ৱারেং ২, লিতরেরি ক্রিতিসিজমগী লাইরিক ১, ওতোবাইওগ্রাফি ১ অমসুং মেমোইর ২ য়াওরি। ঙসি লাউথোকখিবা মনা অসিদা মণিপুরী লোলগী ওইনা হাওবম নলিনিনা ইবা ৱারী মচাগী লাইরিক ‘কংলমদ্রিবা ইফুৎ’ য়াওরে। মনাশিং অসি থা অসিগী ৩১ দা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা য়েন্থোক্কনি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লাখ ১, কোপর প্লাগ অমা অমসুং সোল অমা য়াওরি।

গ্যাস ঃ চাকথোং গ্রাস এল.পি.জি পুবা জহাজ সিবালিক গুজরাতকী মুন্দ্রা হিথাংফমদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম থুংলরে। অতোপ্পা এল.পি.জি পুবা জহাজ নন্দা হয়েং হিথাংফম অসিমক্তদা থুংলগনি।

নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নবদা কেন্দ্রগী পোর্টস, সিপ্পিং অমসুং ৱাটরৱেজ মন্ত্রালয়গী স্পেসিয়েল সেক্রেতরি রাজেশ কুমার সিনহানা হায়- শুংদোক্ত্রিবা থাউ টন লিশিং ৮১ পুবা জহাজ অমসু য়ু.এ.ইদগী ভারত তমা লাক্লি। ভারতকী জহাজ খুদিংমক গল্ফ লমদমদা অশোই অঙাম থোক্তনা লৈরি।

পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেতরি শুজাতা শর্ম্মনা হায়- লৈবাক অসিদা শুংদোক্ত্রিবা থাউ মরাং কায়না লৈরি অমসুং ওইল রিফাইনারিশিং হান্নগুমা মথৌ তৌরি। মহাকা হায়- পেট্রোল পম্পশিং মহৌশাগুমা থবক ফজনা তৌরি অমসুং পেট্রোল পম্পশিংদা থাউ লৈত্রে হায়বগী পাউ লৈতে।

সভিল এভিএসন ঃ সিভিল এভিএসন মন্ত্রি এ. রামমোহন নাইদুনা হায়রি- নোংচুপ এসিয়াদা লাল থোক্লিঙৈ চৈরক অসিদা পেসেঞ্জর লাখ ২ লিশিং ১৯ হেন্না ভারত্তা লাক্লে।

রাজ্য সভাদা ঙসি ৱাহং খরগী পাউখুমদা শ্রী নাইদুনা হায়- এরোপ্লেন পাইবদা অশোই অঙাম থোকহন্দবা হায়বসিনা সরকারগী খ্বাইদগী মাংজিল থাবা থৌরাংনি অমসুং এয়ার স্পেস হেক ফংবগা এয়ারলাইনশিংনা শোইদনা প্লেন পাইগনি। মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- নোংচুপ এসিয়াগী এয়ার স্পেস থিংজিনখিবদগী ভারতকী এয়ারলাইনশিংনা ফ্লাইট লিশিং ৪,৩০০ হেন্না পাইবা লেপখি অদুগা মপান লৈবাক্কী এয়ারলাইনশিংনা ফ্লাইট লিশিং ১,১০০ হেন্না পাইখিদে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ ক্ষেত্রিময়ুম গঙ্গাগী--

তেন্নিস ঃ বি.এন.পি পরিবাস ওপনগী ৱিন্নর ৱার্ল্ড নম্বর টু ইটলিগী জান্নিক সিন্নর ওইরে। কালিফোর্নিয়াগী ইন্দিান ৱেলস টেন্নিস গার্দেনদা শান্নখিবা মেটচ

জান্নিক সিন্নরনা দানিল মেদভেদেভপু ৭-৬, ৭-৬ মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

নুপীগী ফাইনেলদনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান এরেনা সাবালেংকানা ইলিনা রিবাকিনাবু ৩-৬, ৬-৩, ৭-৬ তা থোইদুনা ফাইনেল লৌখি।

বেদমিন্টন ঃ  ফ্রান্সতা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ওরলিন্স মাষ্টরস সুপর থ্রি হন্দ্রেদ বেদমিন্টন তুরনামেন্টতা সেনিয়র প্লেয়ার কিদম্বী শ্রীকান্ট অমসুং য়ংষ্টরস অয়ুস সেত্তি অমসুং তনভি শর্ম্মনা ভারতকী টিম লুচিংলি।

------